## ৱারেং

# অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী লময়ানবা হিজম ইরাবত

*অরিবম বালকৃষ্ণ শর্ম্মা*

কুনশুবা চহি চাগী অহানবা তঙ্খায় অসি মণিপুর অমসুং মণিপুরগা য়ুমথংনরিবা লমদমশিং হায়বদি বরাক তম্পাক, নাগা চীং, লুসাই চীং নচিংবগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মতম অমনি। বৃটিশনা লামদম অসিবু মথং মথং লাঙ্গোই চনশিলক্কুনা ইংকুমজা ১৮৯১ গী মণিপুরগী নীংতম লান্দা মাইথিরবা মতুংদা মখোয়গী লৈঙাক সাসন মখাদা হকথেংননা লৈবা হৌরকপদগী ইংকুমজা ১৯৪৭ তা নীংতম্বা ফংবা লোইননা মণিপুরনা ১৯৪৯ দা মণিপুরনা ভারততা তীনখিবা মতম অদু ফাওবগী মতমনি মথক্তা পঞ্জখ্রিবা মতম অসি । হায়জরিবা ইতিহাসকী তাঙ্কক অসিদা থোকখিবা থৌদোক ৱাথোক, লালখিবা অহোংবা কয়া অমদি মতম অদুগী মীরোলগী ৱাখল্লোন নচিংবা পুন্নমক্কী ফলনি ঙসিগী ঐখোয়গী মীরোলনা ফংলিবা অসিগুম্বা লুরবা অমদি য়ান্না মরু ওইরবা মতম অসিগী থৌদোক ৱাথোক খুদিমক্কা জননেতা ইরাবত কী পুন্সী অমদি থবকশিংগা থাদোক্নবা ইয়া য়াদবা শাগোন্নবা উবা ফংই। মণিপুর সাহিত্যগী অনৌবা মতমগী সাহিত্যগী ইহৌগসু জন নেতা ইরাবোতকী পুন্সীগসু য়ান্না নকশীন্নে। মহাক অনৌবা মতমগী সাহিত্যগী লময়ানবা শিংগী মনুংদা হুন্দোকপা য়াররোইদৌবা লময়ানবা অমনি।

জননেতা ইরাবোতনা সাহিত্যগী তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা খুৎ থারম্মী। মহাক্কী সাহিত্যগী খুৎথা শিং অসি অসুন্না খায়দোকপা য়াই শৈরেং, লমকোয় ৱারী, পুন্সী ৱারী, উপন্যাস, দ্রামা, অনুবাদ, ৱারেং নচিংবা।

**জননেতাগী শৈরেং**

জননেতাগী শৈরেংশিং অসি অনী থোক্লা থম্বা য়াই। অহানবগী অসিনা ''শৈদম শৈরেং''গী শৈরেং শিং অসিনি। অদুগা অনীশুবগী অসিনা ''ইমাগী পুজা''গী শৈরেংশিং অসি।

শৈদম শৈরেং অসি মতম অদুদা মণিপুরী লোনদা তন্নবা লাইরিক য়ান্না তাঙলিঙৈদা মণিপুর ষ্টেট দরবারনা আইবশিংগী লাইরিক লৈবদা ক্লাস ফাইভ তা তন্নবা টেক্স বুক ওইনবা ১৯২৯ গী ডিসেম্বর ৪ দা লৈখিবনি। মতুংদা ক্লাস সভেন্দসু তন্নখি। পূন্না শৈরেং ২৩ য়াওবা লাইরিক অসিগী শৈরেং শিং অসি মহৌশা লাইরেম্বীগী খূৎশেমবু শৈথাবা, মতম অদুগী সমাজ শক্তম য়েকপা, পাওতাক পীবনচিংবদা অয়াম্বা য়ুমফম ওই। ফাগী ইহুল চেনবা অমদি হিন্দু ধর্ম্মগী ৱাখল্লোন ফোঙদোকপা শৈরেংসু য়াওই।

জননেতাগী শৈদম শৈরেংগী শৈরেংগী তোঙান তোঙানবা মশকশিং অসি নৈনরুরগা মণিপুরগী সমলোচক শিংনা মণিপুরগী অহানবা লময়ানবা শৈরেংনি হায়না শীংথান্নে।

জননেতাগী অতোপ্পা শৈরেংগী শকলোন অমদি মহাক্কী ''ইমাগী পুজা''গী শৈরেং শিং অসিনি। ইংকুমজা ১৯৩৯ দা থোকখিবা নুপীলানগী থৌদোক্কা মরি লৈননা জননেতাবু মণিপুর ষ্টেট দরবারনা চহি অহুমগী মীয়াৎ পীদুনা সিলেট জেলদা থমলিঙৈদা ১৯৪২–৪৩ দা ইমাগী পুজাগী শৈরেং শিং অসি ইখিবনি। অদুবু য়ান্না থেংনা ১৯৮৭ খক্তদা লাইরিক ওইনা ফোঙদোকখি। করিগুম্বা লাইরিক অসি মতম অদুদা ফোঙলম্বা তারবদি মণিপুরগী শৈরেংগী ইচেল অসি অতোপ্পা মায়ওন অমদা চৎলম্বসু য়াই। চান্টরবা, কমল অঙাংহল নচিংবা রোমাটিসিজমগী কল্লবা ইহৌ অদুদা 'ইমাগী পুজাগী শৈরেংশিংনা পুমনৌ নৌবা, পুমতোং তোঙানবা মশক অমা গোয়দনা পীরমগনি। মণিপুরী শৈরেংদা মোর্দনিজম পুশিলকপা লময়ানবননি হায়না লৌনরিবা এলাংবম নীলকান্তগী ''মণিপুর'' কৌবা অফাওবা শৈরেং অসি ১৯৪৭ তা ইরগা ১৯৪৯ দা ফোঙবনি। মসিগী মমাঙদা ইখিবা ইমাগী পুজাগী শৈরেংশিংদা মোর্দন্যিজমগী মচাক ময়াম অমা য়াওই হায়বসি সাহিত্য নৈনবা খুদিংমক্কা য়ানরবা ৱাফমনি।

**জননেতাগী লমকোয় ৱারী**

মণিপুর সাহিত্যগী ময়ায় ওইবা য়ুগতা লমকোয় ৱারী ইরম্বগী খুদম ফংই। ৱাথেংবা মাধব রাম অমসুং মহাক্কী পারৱাগী চীংথংখোম্বা গঙ্গা চৎপা (১৮০১–১৮০৩) অমসুং খুমুজাম্বা পুর্নচন্দ্র অমসুং মহাক্কী কাংবুগী চন্দ্রকীত্তি জীলা চঙবা (১৮৭৬) লমকোয় ৱারীগী লাইরিকশিংনি। অদুবু অনৌবা মতমগী সাহিত্যগী লমকোয় ৱারীগী লময়ানবদি জন নেতানি মহাক্কী ''মন্দলে খোঙফম'' অসি ১৯৩৭ তা ইবনি হায়না থাজনৈ। নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহা সভাগী অহুমশুবা মীফম ইং কুমজা ১৯৩৭ কী ফেব্রুৱারী ২৮ দগী মার্চ ২ ফাওবা ব্রহ্মাগী মন্দলেদা পাঙথোকখিবা অদুদা শরুক য়াবা চৎপদা থেংনখিবা এক্সপরিয়েন্স শিং অদুদা য়ুমফম ওইদুনা ইবনি। মন্দলে খোংফম কৌবা লমকোয় ৱারী অসিদা মহাক্না ফাওবা ৱাখল ময়েক শেংনা পনবগী মতাং অমতং লৌখৎচরি।

''লম্বীদা খুদোংথিবগী খনবদা শ্বাই লাউই, করিগুম্বদা জহাজ অসি খুদোংথিবা থোক্লবদি করি উপায়নো হায়না ঙাইহাক খনবদা ঐনা ইরোইবা ফন হৈদুনা সমুদ্র ইশিংগী ইপাক্তা অমসুং চীংমুক চাউবা ইথক্তা করি ইথক্তা করি তৌগনি ইশাগীদি করি উপায় অমতা উদ্রে অতৈ যাত্রিকশিংগীসু অদুমঙাই''।

**জননেতাগী উপন্যাস**

জননেতা ইরাবতনা ''মোহিনি'' অমসুং ''চান্দনী'' কৌবা উপান্যাস অনী ইদুনা মণিপুরী উপন্যাসকী লমদসু খূৎ থারম্মী। অহানবগী উপন্যাস অসি মীতৈলোনগী ইহান হানবা থাগী চেখোঙ ''য়াকায়রোন''গী অহানবা চহিদগী তরানিথোই শুবা মশিং ফাওবদা ফোঙখিবগী রেকোর্দ লৈ। ''মোহিনি''গী মপুং ফাবা মশকতি হৌজিক ফাওবদা ফংবা ঙমদ্রি। অদুবু য়াকাইরোলগী অফংবা কোপী খরদা নৈনদুনা য়েংবদা মোহিনি উপন্যাস অসি মতম অদুগী নুপীশিং মরুওইনা ময়ুম –মকৈ পান্দ্রিবা চনুরাশিংগী পুন্সী মরেল ফজনা য়েকপা, ইচম চন্না ফজবা উপন্যাস অমনি।

জননেতা ইরাবাত কী অতোপ্পা উপন্যাস ''চান্দনি'' কৌবা অমসু ''য়াকাইরোল'' চেফোঙদা সেরিজ ওইনা ফোঙখিবগী ৱারী লৈ। শ্রীরাজকুমার স্নাহলনা ১৯৮২ ইংদা ফোঙখিবা মৈতৈ চেফোঙ কৌবা লাইরিক্তা অসুন্না পল্লি–

''হিজম ইরাবত সিংহনা ১৯২২ ইংদা মৈতৈচনু হায়না খুৎনা ইবা মেগাজিন অমা ফোঙলম্মী। মহাক্কী ছাপা তৌদুনা ফোঙখিবা লাইরিক্তি 'শৈদম শৈরেং'', দলিন, ''দরখাস্ত ইবা'' নি। মহাক্কী ''চান্দনী'' হায়বা উপন্যাস অমা য়াকাইরোল থাগী চেদা মথং মথং ফোঙখি। অদুবুউ পন্যাস অসিগী মশকতি উবা ফংদ্রি। করিগুম্বা মতমগী মতুং ইন্না উপন্যাস য়াওবা য়াকাইরোলগী কোপী ফংবা ঙমলক্লবদি উপন্যাস অসিগী মশক খঙবা ঙমগনি।

**জননেতাগী পুন্সীৱারী**

জননেতা ইরাবতনা ''লোক মান্য তিলক'' কৌবা পুন্সী ৱারী অমা ইরম্মী পুন্সী ৱারী অসি ইংকুমজা ১৯৩৪ গী সেপ্টেম্বর থাদা অরাম্বম দরেন্দ্রজীৎ সিংহনা ইদিট তৌরগা পুথোকপা মণিপুরগী অনিশুবা থাগী চেফোঙ ''ললিত মঞ্জুরি প্রতিকা''গী অহানবা চহি দা মথং মথং ফোঙলম্মী।

ভারত নীংতম লানগী অচংবা লানমী লোক মান্য তিলক্কী পুন্সী ৱারীদা য়ুমফম ওইবা পুন্সী ৱারী অসিনা হৌজিক্কী মতমগী সাহিত্যগী পুক্কেদা খুদোল তম্বা অহানবা পুন্সী ৱারী নি। তৌববুদি মণিপুরী সাহিত্যদা অঙনবা মতমদা নিংথৌশিংগা মরী লৈনবা থৌদোক মচা মচা লাইরিক ওইনা ইশিলম্বদুদি থেংনৈ। অদুবু মদুতশেংনা সহিত্যগী লমদা লৈরিবা পুন্সী ৱারীগী মশক অদুমকতি তাফাৎতে হায়জবা তাই।

**জননেতাগী দ্রামা**

জননেতা ইরাবোত মণিপুরী দ্রামা অমসুং থিয়েটরগী লময়ানবা শিংগী মনুংদা অমনি। মণিপুরীগী মমিং লৈরবা দ্রমা গ্রুপ মণিপুর দ্রমাতিক য়ুনিয়ন (এমঃ ডিঃ য়ুঃ) লীংখৎলকপদগী য়াওরকপনি। মহাক্না ''জয়মতি'' তৌবা দ্রমাগী লাইরিক অমা ইরম্মী হায়বসি থোইনা ঙকনিংঙায় ওইদে। অদুবু দ্রামা অসিগী মেনুস্ক্রপ্ট মণিপুরগী ইরাবত কা নক্লরম্বা মীওই অমগী ইরাবেত কা নক্লরম্বা মীওই অমগী মখূৎতা লৈবগী পাউদি লৈরে। মসিনা লাইরিক ওইনা ফোঙদোক্কুনা তাইবং ফাওরক্লবা মতমদা দ্রামাগী অনৌবা মশক অমা থোরকপসু কনানা খঙবা।

**জননেতাগী অনুবাদ**

বংলাগী উপান্যাস কার বঙ্কিমচন্দ্র চট্টোপাধ্যায়গী কৃষ্ণকানন্তের উইলবু জননেতা ইরাবতনা মণিপুরীদা হন্দোকলম্মী। মসিগীসু হৌজিক্কী ওইনদি লাইরিক ওইনা ফোঙদোকপা উদ্রি।

**জননেতাগী ইশৈ**

জননেতা ইরাবত অতাবাশিংগী থম্মোইদা মরৈবাক নীংবা অমদি নীংতম্বগী ইহুল পোকহনবা ঙম্বা ফাওরবা ইশৈ কয়াগী অইবনি। মহাক্কী ফাওরবা ইশৈ কয়াগী মনুংদা পনবা য়াবা খর লৌখৎচরবদা ''শকউ শকউ জয় জয়/অপূনবগী জয় জয়'' ''চৎলো চৎশি ইচিল ইনাওশা/ লৌমীগী লৈবাক শেমলুসি'' ''হাইগৎসি ৱাংনা ফিরালসি ঙাঙলবা/লায়রশিংগী ঈনা'' পানবা য়াই।

**জননেতা অমসুং লোন অমদি সাহিত্যগী ইহৌ**

জননেতা ইরাবতনা মণিপুরী লোন অমসুং সাহিত্য চাওখৎহন্নবগী ইহৌদা মাঙজিন থাবা থৌদাং লৌদুনা লাকখি। মণিপুরগী ইহান হানবা সাহিত্যগী সংস্থান মণিপুরী সহিত্য সম্মেলনী ইংকুমজা ১৯৩৫ গী মে ২৬ তা শেম্বদা জননেতা সু অচৌবা থৌদাং য়াখি। ইংকুমজা ১৯৩৫ গী জুন ২৩ দা সম্মেলনী অসি মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ হায়না মমিং ওন্থোকখিবনি।

জননেতা মশামক্না কার্বোন থাদুনা ইরগা ইংকুমজা ১৯২২ দা ফোঙখিবা ''মৈতৈ চনু'' মণিপুরী লোনগী অহানবা চেফোঙনি। মণিপুরী লোন চাওখৎহন্নবগী পান্দমদা নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভাগী মীফম কয়াদা মণিপুরী লোনগী ইশৈ পাক শন্না শন্দোক্নবা ৱারেপ, অমদি স্কুলগী থাক্তা মণিপুরীনা লাইরিক তমহনবগী ৱারেপ কয়া লৌহন্দুনা অকনবা ইহৌ শাগৎখিবা লময়ানবনি।

ঙসি মণিপুরী সহিত্যনা মপুং মরৈ ফারবা উপাল অমগুম মশা মরেং ফন্না অতোপ্পা লোন শিংগী মমাঙদা চাওথোকচবা ঙমলিবসিগী মখোঙ শোম্বদা অমদি ঈশিং চাইবদা অচৌবা থৌদাং য়াখিবা হুমাং তাখিবা লময়ানবা অমনি জননেতা ইরাবত।

## শৈরেং

### ''মীখল''

*– ব্রজমহোন কোন্সম*

মীখল পাঙথোক্লী
অফবা, অচুম্বা মথৌঙম্বা,
মীহুৎ অমগীদমক।
অচান–মীরাই খায়দবা।
মীহাৎ–মীপূন লৈতবা,
চিং–তম খাইদনা,
অমত্তা ওইনা ইংতপ্পা
খুন্নাই অমা শেন্নবা।

অদুবু; মীখলগীদমক
শেন্নরী কাংলূপ কাংলূপ,
খোন্নরী মীচং–শঙ্গা।
ৱাহৈগী তেনশু কাপ্পরী।
নিংশিংনদে মীখলদি অরোনবনি।

খন্থনদে অফ–ফত্ত,
য়েংলি পিজ পিথক্তা।
শিংথান্নরী মরল–মথুম মীরেপকী।
পান্নরী মীরেপ খুদিং মশানা
মাই পাক্কনী থাজনরী।
খনগদবদি অমতনি।

লোইখ্রবসু মীখল,
চিন্দা পাওদনবদি লেপ্তুরী।
মলোম থমনরী
মরপ–মপাং, মচিন–মনাও,
মপা–মচা, মচে–মচন,
ঙাইনা ঙাইনা মীখলগী ফল।
থম্মোই মিহুন ফাথনা।

মীখলগী ফল খঙলবা
মাইথিরবা মীরেপকী,
কোকনুংদা চংখিবা মৈবুলনা
ফাওথরক্কুনা থম্মোইদা,
মচেৎ তানা কাইরবদা।
মপান থোক্তা ইমুংদা
ওন্ন–থোইনা খাংলিঙৈ।

মাই পাক্লবা মীরেপকী
কাংবুনা লাক্কুনা
লাওররী, খোংলরী, হরাওররী,
চৈররী কল্লক পেন্ন
য়েক্লবদা লমন খুমম্বগুম।

অসিরা মতমশিগী মীখল?
তাজনিংদে, উজনিংদে য়াওজনিংদে
অসিবু করম্না ওইখিবনো?
অতোপ্পা পান্থে থিরশি
চাওখৎপা ফজবা মীখলগীদমক।

### কনাদসু হায়দোরক্কনু তৌশিন্নরিসে

*– কে হরিদাস মৈতৈ*

ওইদবা ঙাংবদা কাকা হায়নরিবনি
কাকাবু হায়রদি লোইনা কিনরিবনি
হায়জিল্লিবনি হেক্তা ঐখোয়গী হীষ্ট্রি
করিবু হায়না হাপ্লগা ইগদবা
ইপানসু হায়রমদে ইপুনসু তাক্লমদে
ইয়েক ইরোল তিন্নদে অমত্তা
হায়রুবা খুদিংমক য়ারিদনা মখোয়নসু
অখঙবসু খরতনি খংদবনা য়াম্লবনি
খংদ্রিবশিংদা হায়জিনগদবনি অচুম্বা হিষ্ট্রিনি
মতম অমগী কল্লমখ্রবা কাকানি
লিথোকপদা লোইবা ঙম্লরোইদবা ৱারীশিংনি
অকি তুজুংনা থল্লবা ৱারীশিংনি
মকোক্কী খরদং হায়বসিনা পেল্লো
মতম অমগী কাকাগী শক্তিশিংদো
ঙসিসু থাজরি উহৌদবা ময়ান্না
মতমদুগী লুখা থাখিবগী ৱারীশিং
লোইপোৎ থৌবা লাকখিবগী থৌদোকশিং
নিংশিংলগদি কাকাসি ওইদবা ঙাংলবনে
কাকানা নকশিন্নরুবা অচুম্বা ঙাংলরোই
ওইদবতা খল্লগনি অরাম্বতা তৌরগনি
অচুম্বা শাদুনতা ঙাংলিবনি ঙসিদি
মতমদুগী অচুম্বশিং নাথৈরগা লালহল্লিবনি
অচুম্বা পুথোকপা ঙমদ্রিবা লমদমসিদা।

### ঙাইবা

*– য়াইস্না*

পামজখিবা লৈতে
অহাঙববু ঐনা
অহাঙবা ওইখিবনি
পামজবা পূম্বনা,
ঐনা য়েংলি
অহাভবা অতিয়াদা
উচেক শঙ্গু–শঙ্গুনা পাইখি
মহাক লান্না
অদুনা ঙাইজরি
মখোয়না অমুক হল্লকপা
অহাঙবদা।

### যুগসিদা

*– এল.রবিকান্ত*

সান্তি ফংদ্রবা অহিংগী লৈমায়দা
য়াতারি নিঙাইদনা অশিবগী থৱায়শিং
অদুগা নোক্লি পেন্ন–পেন্না
সান্তি ফংলে খন্দুনা।

## তাবুনুংদগী

*(কবি হিজম ইরাবতনা ইবা শৈরেং লাইরিক ''ইমাগী পুজা''দা য়াওবা ''শরুনা নোকই'' হায়বা শৈরেং অসি ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি)*

### শরুনা নোকই

লমখাই মোংফম লম্পাক্তা
ফজবী নুপীগী লুকং অমা
ঙৌনা খিগৎপা ময়া পরেংদা
অকনবা নুংশিৎনা হুমবদা
নোক্লি শিথবা খোঞ্জেন্না।
উবদা তকসি শোন্নবা
অমৃত নিক নিক লাওবা
কদাই ফজবা মূর্ত্তিদুনা?
কদাই ফজবা শক অদুনা
উবদা মিৎ চোইনিংদবা?
তুংয়ান উবদা কল্লকপা
খোইমু ইকাইনা মুবা
কদাই নিংদু য়ৈবা শন্নাংনা?
কদাই ৱাহৈ ৱাতা অদুনা
কোকিলগী সুর ঙমজবা
শুস্মৎপা মন্ত্রনা মাংওইবা?
নুংশি মিৎয়েংনা তেঙ্গা থোংবা
কদাই পিশুমগী লিরুংদুনা?
কদাই পুক্নীং হুবা শাজৎতুনা
খোংথাং খোংথাংদা চেপ্পা?
যুগ কয়া কয়াদগী হৌনা
অসুন্না নোকলন্নি শরুনা
নোক্কনি যুগ কয়াগী মতুং ফাওবা
নোক্লি শরু কয়ানা মোংফমদা।

**হিজম ইরাবত**

## মণিপুরী পান্থে –পাউরৌ, পাউতাক

**৫১১ অচুম্বা ঙাক্তা ঙাঙলবসু ফত্তবা লাকই।**
– মফম মতমগী মতুং ইন্না অরানবা ঙাংবসু কান্নবা লৈ।

**৫১২ অশোনবদা কনবা মরিল লৈবা থানদে।**
– অতোন–অতাং অমসুং পাঙ্গল শোনবা মীদা অকন–অরিং শাবা মরিল লৈবা মী কৌদে।

**৫১৩ অৱা নুংঙাই হায়বসি কনাগীসু পীবাফম নত্তে।**
– ৱারম্বনা নুংঙাইরকপা, নুংঙাইরম্বনা ৱারকপা য়াদবা অকক্লবা লৈতবা।

**৫১৪ অৱা অনা লাইরেম্বীগী খয়াৎতা নুংঙাইনীংবনা চেনশিল্লি।**
– অরেম্বদা নুংঙাইবা পাম্বশিংদি অৱাফমদা তাগল্লি।

**৫১৫ অচাইবী হৌদোকপা**
– হান্নগী তোক্লগা অনৌবা ৱাফম অমা খন্নবা।

**৫১৬ অনৈবনা ময়াইদা অরুবনা মতাইদা**
– অফবনা থওইদ্রবা ফত্তবনা অওইবা অফবা শাবা।

**খোমজিনবা**
**ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

## চানক্য নিতি

– লমচৎনা শাগৈ তাকই, মরোন্না লৈবাক তাকই, উৎলিবা মতৌনা নুংশিবা তাকই, হকচাংনা চীঞ্জাক তাকই।

– অফবা শাগৈদা নচা নুপী থাজৌ, নচানুপাদা মহৈ তমহল্লু, য়েক্লববু ফত্তবদা হৈনহল্লু অদুগা মরুপ্পু নমদুনা ধর্ম্ম চৎহল্লু।

– ফত্তবা মীগা লিনগগী মরক্তা অমা খনবা তারবদি লিন খল্লু। লিন্দ লাইবক্তা তম্বা মতমদু খক্তদা চীকপনি, ফত্তবা মীদি খোংথাং খুদিংগী চীকপনি।

– অৱাংবা থাক্কী মীশিংবু নিংথৌনা মাগী অকোয়বদা থম্বগী মরমদি নোংমগী অহৌবদা অরোইবদা অমসুং অকা–অকুমদা মখোয়না নিংথৌবু খক থাদোক্তে।

– প্রলয়গী মতমদা সাগারগী ঙমখৈ থুগাইরকই, প্রলয় ওইদুনসু সাধু শিংনা মখোয়গী ঙমখৈ খক লান্দে।

– অপঙবদি মখোং অনী পানবা শানি, মহাক্না থম্মোইবু, উহৌদ্রবদি তিঙ্খংগুন্না থিনগাই।

– শক ফজদুনসু, নহা ওইদুনসু, শাগৈ অচৌবদা পোক্কুনসু মহৈ হৈতবা মীবু মনম য়াওদবা লৈগুন্না পান্নদে।

– কোকিলগী ফজবনা মখোলদনি, নুপীগী ফজবনা মপুরোইবা নীংবদনি, মশক থীবগী ফজবনা বিদ্যাননি, লাইনিংবগী ফজবনা ঙাকপিবননি।

**হন্দোকপাঃ**
**ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা**

## মণিপুরি পাখোং

২৬. লৈরায় মিংশেল–
২৭. লাইজনুংগী চেক্লা–
২৮. লুমদৈ লুম্বা–
২৯. লম মপু–
৩০. ৱাতোন লাইমু–

**পাউখোংশিং অসি মথংগী নোংমাইজিংগী লমাই অসিদা ফোঙদোকচগনি**

**মমাঙ নোংমাইজিংগী (১৭-৯-২০১৭) পাউখোঙ ফোঙবা**

২১. শিং
২২. ঙাপ্রুম
২৩. হা
২৪. ঙারিন
২৫. ৱাইখু

## কান্ন–ৱানি খঙজীনবিয়ু

* **অঙাংগী মশাদা তীল অশাঙবী লৈরক্লবদি?**

– অঙাংগী মশা মবুক মনুংদা তীল অশাংবী লৈরক্লবদি ডাক্তরগী হীদাক পীজবিরুদ্রবসু– অৱাথবী অমূনবগী মরু অনীখক তকখায়বিরগা শঙ্গোম গ্লাস অমদা য়ানশিনবিরগা নোংমগী (অয়ুক) করিমত্তা চাদ্রিঙৈ অনীরকখক্তং পীথকপিয়ু।

* **অঙাংগী মশাদা ষ্টিকর নপশীনখ্রবদি?**

– হৌজিক্কী মতমদদি অঙাংশিংনা চানবা অচাপোৎকী পেকেটশিংদা অঙাংশিংনা হেন্না হরাওজনবা মচু–মমেন কয়াগী মখল–মখা ষ্টিকর কয়ামুক পোৎহাপ ওইনা পেকেট মনুংদা হাপ্নরক্লে। অদুগুম্বা ষ্টিকরশিং অদুয়ুমগী ইচা–ইশূশিংনা মখোয়গী মশাদা নপশীঞ্জরগা হরাওনা শান্নজবদা ঐখোয়দসু অদুম্মক পেন্নজবা মতাঙ কয়ানি। অদুবু করিগুম্বা মতাঙদদি অঙাংশিংনা ষ্টিকরশিং অদু মশাদা মফম অমদি নাতৈ চাদনা নপশীল্লকপদগী চৈনীং–ঙাঙনীংবা মতাং য়াওরক্তবা নত্তে। অদুগুম্বা মতাংদা কনাগুম্বী মমাওইবীশিংদি অয়ৌবী থাদুনা শাউরগা মচাগী মশাদা নাতৈ চাদনা নপশীল্লবা ষ্টিকরদু কোকহন্নবা ফদি–সাপোন্না তকপদা মচাগী থোৎ–নৌরিবা উনশাদু খামদৎনবা য়াওনরিবনি। মতুংদদি অদুন্না তকপীরুরগনু, খূবীদা তেরসিং (কেরোসিন) লূপ্লিরগা ষ্টিকর নপ্লিবা মফমদুদা তপ্না তপ্না নানবিয়ু, অদুম কোকচখ্রগনি।

( খূৎনম ৮ লক হন্না পুথোক্কুনা কোপী লিশিং কয়া য়োনখ্রবা সনখোঙ পল্লিকেসনগীদমক মণিন্দ্র কোন্সমনা খোমজিন্দুনা ফোঙবা লাইরিক ''কান্ন ৱানি খঙজিনবিয়ু'' দগী লৌথোকপা)